ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯃꯥꯔꯆ ꯲꯵, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯰꯲ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেল, মার্চ ২৫, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ০০২শুবা মশীং

# ঈশিং লৈশিল্লক্তবগী অৱাবা

## মতিক চাবা থৌশিল লৈহনবা মথৌ তারে

মীওইবনা হিংবদা খ্বাইদগী মরু ওইনা চঙলিবা পোৎলমশিংগী মনুংদা ঈশিং হায়বসিসু অমনি। থকপখক্তা নৎতনা থোংবা-থাকপা, ফিশু-ফিজান্বা, ঈরুজ-মায়থজবা অমসুং মায়-মীৎ তাবনচিংবা হীরম অয়াম্বদা ঈশিং য়াওদনা য়াদে। পাৎ, তুরেল অমসুং পুখ্রিগী ঈশিং অকক্লবা চাংদা লৈবনি। মীওইবনা ঈশিং শীজিন্নরিবনা অয়ূক হেক য়াহৌবদগী নুমিদাং তুমদ্রিবফাওবনি হায়বা য়াই। চিঞ্জাক পুথোক্লবা মহৈ-মরোং উবদসু ঈশিং চঙই। পাৎ, তুরেলগী ঈশিংনা কোন্নরক্তবদগী মফম খরদা লৈনুংদগী ঈশিং চিংথোল্লগা শীজিন্নবফাওবা য়াওরিবনি। চহী খূদিংগী ইন্দিয়াদা ঈশিং ক্যুবিক মিটর বিলিয়ন ২৩০ রোম লৈনুংদগী চিংথোল্লগা লৌউ-শিংউ অমসুং অতৈ হীরম কয়াদা শীজিন্নৈ হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি। ইন্দো-গঞ্জেটিক প্লেন, লৈবাক্কী ময়ায় থংবা শরুক অমসুং নোংচুপ থংবা শরুক্তা ঈথৈ-লৌখোংগীদমক শীজিন্নরিবা ঈশিং অয়াম্বা লৈনুংদগী চিংথোকপনি। সেন্ট্রেল গ্রাউন্দ ৱাটর বোর্দ (সী জি দব্লিয়ু বি)গী রিপোর্ট মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা গুহা ৫,৯০০ হেন্না লৈ হায়রি। ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (আই আই টি) গান্ধিনগরগী দিপার্টমেন্ট ওফ সিভিল এঞ্জিনিয়রিংনা কুমজা ১৯৯৬ তগী কুমজা ২০১৬ ফাওবা থিংজিনবদা লৈনুংগী ঈশিং পূন্নমক কংশিল্লকপগী ফীভমদা লৈরে হায়বা খঙলকখি। অমেরিকন জিওফিজিকেল য়ুনিয়নগী জর্নেল, 'অথ'স ফ্যুচর' দা ফোঙলকখিবা রিপোর্টনা হায়, কুমজা ১৯৯৬ কী মতুং তারকপদা লৈনুংগী ঈশিং চহীদা সেন্টিমিটর ৯১গী চাংদা কংশিল্লকপগী ফীভমদা লৈরে। চহী অনীখক নোংজুগী চাং হন্থরকপগা লোয়ননা লৈনুংগী ঈশিংসু কংশিল্লকপা তারবদি মীওইবনা খূদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নরক্কনি হায়না সেন্ট্রেল গ্রাউন্দ ৱাটর বোর্দকী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি। নোংজু থাদা নোং ফনা য়াম্না তারবসু লৈনুংগী অৱাৎপা ঈশিং মপূং ফানা মেনখৎপা ঙমদে। অমরোমদা ৱর্ল্ড ৱাটর ভিজনগী রিপোর্টনা হায়, মালেমদা ঈশিং লৈশিল্লক্তবগী খূদোংচাদবা অমা মায়োক্নরক্লিবসিগী মরুওইবা মরমদি মীওইবনা চেকশিন্দবা মওংদা য়াল্লবা ঈশিং অরেম্বদা মাঙহনবদগীনি। লৌউ-শিংউ, ইন্দষ্ট্রি, নৎত্রগা ইমুং-মনুংদা ঈশিং শীজিন্নবদা মথৌ তাবা চাংদগী হেন্দোক্তুনা অরেম্বদা মাঙহনবগী থৌওং ময়েক শেংনা উবা ফংলি। মীওই অয়াম্বগী ৱাখলদা ঈশিং হায়বসি মতম চুপ্পা ৱাৎপা লৈতনা ফংগদবা পোৎশক অমা ওইনা লৌনরি। খুঙ্গং কয়া সিটি ওইনা শেমগৎলকপা অমসুং মীওইবগী পূন্সি মহিং হোংলকপা মরম্না ঈশিং শীজিন্নবগী চাং অসুম-অসুম হেনগৎলকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরি।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্স ইন্টরনেসনল চিলড্রেন্স ইমর্জেন্সি ফন্দগী রিপোর্ট অমনা হায়, মালেমদা লৈরিবা মীওই তরুক খূদিংগী মীওই অমমম্ অফবা ঈশিং থকপা ফংদ্রি। ঈশিংদগী শন্দোকপা লায়নানা মরম ওইরগা নুমিৎ খূদিংগী মালেমদা অঙাং ৩,৯০০ শিরি। ঈশিং লৈশিল্লক্তবনা অৱাবা পীরিবসি মীওইবখক্তদা নৎতে। ঈশিংদা লৈবা থৱায় পানবশিং অমদি মহৌশাগী খলদসু চাওনা অকায়বা থোকহল্লি। হৌখিবা চহী ৩০ গী মনুংদা লৌউ-শিংউ চাউখৎলক্তুনা চাথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙল্লবসু ঈশিং লৈশিল্লক্তবগী চাংদি নোংম-নোংমগী অসুম হেঞ্জিল্লক্লি। অপূনবা ঈশিংগী চাদা ৬৬ লৌউ-শিংউগী ঈথৈ-লৌখোংদা শীজিন্নবনি। চাদা ৩৪ না য়ুমথোঙ খূদিংদা লন্নাই ওইবা মওংদা শীজিন্নবনি। মসিগী মথক্তা ঈশিংগী শরুক খরসু রিজার্ভরদগী মনিল ওইনা মাঙখি। ঈশিং লৈশিল্লক্তবনা নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী থাক্তা কাঙলূপ মশেল ঈশিংগী ৱাহৌদা উংখৎনবগী ফীভম লাক্লে। তুরেলগী ঈশিং শীজিন্নমিন্নরিবা লৈবাকশিংগী মরক্তা লান শোক্নরকপা য়াবগী তানফম ফাওবা য়ৌরক্লে। মাংজৌননা য়ানবা পুরকহৌদ্রগদি লৈবাক অমনা তুরেলদা পায়খৎপা প্রোজেক্টশিং অতোপ্পা লৈবাক অমনা থিংজিল্লকপদগী খৎন-চৈনবা থোক্লি। মালেমগী ওইনা ২০শুবা চহীচাদা শরুক অহুমলোম মীশীং হেনগৎলকখি। লাক্কদৌরিবা চহী ৫০গী মনুংদা মীশীং হেনগৎলকপগী চাং চাদা ৪০ ওইরবা য়াই হায়না পানরি। মতমদুদা ঈশিং ফংদবদগী মীওই কয়া শিবগা লোয়ননা ঈশিংগীদমক খৎনবদা মীওই মশীং থীঙমদনা শিবা য়াই হায়না ৱর্ল্ড ৱাটর ফোরমগী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি। খূদোংথীবা তানফম অদু য়ৌরক্ত্রিঙৈদা লৈঙাক্লা মতিক চাবা ৱাটর পোলিসি শেম্বগা লোয়ননা মীয়াম্নসু হৈ-শিংনা ঈশিং শীজিন্নবগী হৈনবী থম্বা য়াম্নমক মথৌ তারে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৪

১) "ত্রিপুরাগী মৈহৌরোলদা মৈতৈ" হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

২) শ্রীল কৃষ্ণদাস কবিরাজ গোস্বামিনা লেংবা "শ্রীশ্রী চৈতন্যচরিতামৃত" হায়বা লাইরিক অসিগী অহানবা অমসুং অনীশুবা শরুক অসি কনানা মণিপুরদা হন্দোকপগে?

৩) "শৈরেং ৱারেং শিংজু" হায়বসিগী অইবা কনানো?

৪) "সাহিত্যগী ঈচেলদা মণিপুরী মুসলিম" হায়বসি কনানা খোমজিল্লগা কনানা ফোঙবনো?

৫) "থোঙাক অশিথেন্নে, অশিবনা পোত্থাফমনে তাইবঙপানববু হন্না য়েংদনা মমা মপা মতু মৱা, মচা অসি খৈবিকপু ঙম্না উইয়ে হায়বগীবু অশিবা খৈবিকনা মফম অদুদা কপনা লাউনা তৌএ অদুবু খমনুং শিতনুপীনা খমনুং অশিহৈবু হৈরাঙ খূত্তা পীদনা চাহল্লে। হৈরাঙ চারবগা মমা মপা, মতু মচা মৱা ঙম্না কাউএ। অদুগীদমকপু থোংঙাক অশিথেন মকোই নুংওনচীং তৌনা কৌএ।" কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ২১

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

মমাঙগী হাপ্তাদা ইখিবা অদুদা লোইশিনগদবা ৱাফম খরা লোইশিনহৌখিদে। মদুগী মখা খজিক শমথজগে। দাইলোগ লীলানা মরায় চাইথরক্তুনা ঈশৈ লীলারোমদা লোয়না মায় ওনশিল্লকপা অসি মতমগী চৎনবীনি হায়না খল্লবসু মদুগী অচৌবা মাঙজবা অমদি ঙসি ফাওবা মেনখৎপা ঙমদনা লৈহৌরে। হৌজিক মদু ইনৌ নৌনা শেমগৎলুবদা মতমসিগী মীয়াম্না এক্সেপ্ট তৌগনি হায়বা থাজদ্রে। মরমদি য়াম্না হৈনদবা চিঞ্জাক অমা পীজবগুম শোয়দনা থোক্লগনি। মতমদুদদি পাঙলিবা কৌবনিনা, ঈশৈ লীলাগী মায়কৈদা লৈখিবশিং অদুনদি দাইলোগ লীলা শিরে হায়না হরাওনখিবা লৈখিবনি। মসি ফোঙদবগী ৱানি। মদুগী মরমনা ঈশৈ লীলা অসিবু অহলশিং অদুনা য়াম্না তাথীখিবা অদুনসু নহাশিংগী পূক্নিংদা ৱারৌবদগী ওইরম্বা য়াই।

মতম অমা ঈশৈ লীলা অসিসু মশীং য়ামখৎলক্লবনিনা কম্পিটিসন অমা শীন্দুনা পাঙথোক্লবা হোৎনসি হায়বা মতমদা অহলশিংনা য়াম্না য়েৎখি। মতমদুদা লীলাগী এপেক্স বোদিসি অনী শুখি। অমনা ওল মণিপুর যাত্রা এসোসিএসন (এ এম জে এ) হায়না কৌখি। মসিদি খ্বাইদগী লীরবা এপেক্স বোদিনি। মসি লৈনা লৈনা, অর্য়ান থিএটরদা মতমদুগী মীওই কাঙবু খরগা লোয়ননা মীটিং অমা পাঙথোল্লগা শেমখিবনি, মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিল হায়বা অসি। হৌজিক্তি এ এম জে এ হায়বদু লৈখিদ্রে। লোইশিনখ্রে, কাউন্সিল অসিতমক ঙাইহৌরে। কাউন্সিলসি শেম্বদা ঐ ইশামক য়াওরকখি। কাউন্সিলগী অহানবা প্রসিদেন্ট অসিনা লৈখিদ্রবা ঐগ্যা ইতুখোম্বী এলিয়জ মোধুমঙ্গোল শর্ম্মনা ওইখি অদুগা সেক্রেটরিনা লৈখিদ্রবা ঐগ্যা এস জুগেশ্বর শর্ম্ম (চৈতৈ শাবা) না ওইবিখি। অহানবা বোদি অদুগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইবিরম্বা অয়াম্বা হৌজিক্তি লোইনা লৈখিদ্রে। ঈশৈ লীলা অসি কাউন্সিলনা শীন্দুনা কম্পিটিসন পাঙথোক্তুনা লাকখি। ঐগী লূপতি মতমদুদা কম্পিটিসন য়াওখিদে। মদুগী মরম খরা লৈখি। (১) কম্পিটিসন্দা য়াওদ্রবসু লীলা ফর্ষ্ট, সেকেন্দ তাদ্রবসু ঐখোয়গী লীলাদি অদুম চৎলি হায়বসিমা (২) মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা কম্পিটিসন অসি শীলহনগদবনি হায়বা এজেন্দা অনী অসিনি। মরু ওইনা অকোনবগী এজেন্দা অসিনা মরম ওইরগা ঐখোয় কম্পিটিসনসি য়াওরকখিদবনি। মতমদুদা ঐনা কনভিনর ওইদুনা ঈশৈ লীলাগী ওইবা লূপ অমা অমুক লীংখৎখি। মমিংনা 'অপূনবা মণিপুর ঈশৈ লীলা কাঙলূপ" হায়না থোনখি। মদুগী বেনর মখাদা ঈশৈ লীলা পূম্নমকশিং অসি পূনশিন্নবা ফনা কন্না হোৎনখি। পূনসু পূনখি, অদুবু কম্পিটিসন তৌরমদাইদা অমা থোকখি, অনী থোকখি মখোয় কাউন্সিলনা শেম্বা কম্পিটিসন অদুদা হেক্তা য়াওখি। ঈশৈ লীলাবু একাদেমিদা পূনশিনবসি মতমদুগী কাউন্সিলদা য়াওরিবা মেম্বরশিংগী অপাম্বা ওইখিদে। মখোয়গী মৱা একাদেমিনা য়াম্না তাখি। শিরিবা দাইলোগ লীলা অসিবু য়োকখৎনবা হোৎনবনা হেন্না মরু ওই হায়না মখোয়না খনখিবনা ওইরমগনি থাজে। মতমদুদা ঐনা একাদেমিগী কম্মিটিগী মেম্বরশিংদা ফনা য়াম্না লন্নাই ওইনা চৎতুনা ঐখোয়বু কম্পিটিসন য়াওহনবীনবা ঙাঙনখি, অকোনবদদি ঈশৈ লীলা অসি চাংয়েং থাক্তা থমদুনা মখোয়গী লোন্দাদা এক্সপরিমেন্ট ওইনা কম্পিটিসনদি নত্তবদা ফেষ্টিবেলগী শরুক অমা ওইনা চুম্না লীলা উৎহনবা ওইনা য়াওহনখি। দাইলোগ লীলা য়েংনবা টিকেট কক্লদ্রবসু ঈশৈ লীলা উৎপগী মতমদুদদি মীয়াম্না টিকেট কক্লবগী অৱাবা ওইনখি। কলাবজার ফাওবা তৌনখি। লুপা ২০ পীবা টিকেটতু লুপা ১০০দা য়োন্নখি। হোয় লীলা লোইনমক্কী ৱাদি নত্তে। অখন্নবা পার্টিগী লীলা খরগী ৱানি। মদুনা তাকই, মীয়াম্না কয়াগী মতিক ঈশৈ লীলা অসিবু য়াখিবগে হায়বদু, মদু গভর্ণমেন্টকী এজেন্সি অমা ওইরিবা একাদেমিসু অমদি একাদেমিগী মেম্বর পূম্নমকসু খঙখিবনি। অদুবু কম্পিটিসন ওইনা ওন্থোকপদি ঙমখিদে। মমৈথংদা ঐহাক ইশামক্লা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী মেম্বর ওইনা য়াওরক্লবা মতুংখক্তদা একাদেমিগী ফেষ্টিবেলদা কেটেগোরি অমা ওইনা ফেষ্টিবেলদা মপূং ফানা য়াওহন্দুনা কম্পিটিসন পাঙথোরকখিবনি। পূম্নমকশিং অসি মতমনা পুরকপা অওনবনি। কনা অমত্তনা খূৎ থিংজিন্দুনা করিগুম্বা অমবু হেক্তা ওলহনবা ঙম্বা নত্তে।

মতম অদুগী স্কোলরশিংনি হায়না শিংথানখিবা কয়ানসু ঈশৈ লীলা অসি শুমাং লীলা নত্তে, মসিনা শুমাং লীলা ওইবা য়ারোই, মখোয় অসি শৌগৎফম থোক্তে হায়না য়াম্না হায়খি। য়াম্না চৈখি। পাউচেদফাওবা থওইনা ইনরকখি। ঈশৈ লীলা হায়বসি হিন্দি ফিল্মগুম্বনি, মসি লীলা অমা ওইনা ফমদুনা য়েংবদা য়াম্না ইকায়বা ফাওবা মখলগী লীলানি। মসিনা শুমাং লীলাগী মহুৎ কৈদৌনুংদা শিলহনখিদনবা মীৎয়েং চঙগদবনি হায়না। মতম অদুদা ঐনসু ইপঙ পঙনা অপঙ থৌনাদৌনা পাউচেদা অওক-অথোম তৌনদুনা ইখি। মতমগী অওনবা অহোংবা হায়বসিদি কনামত্তনা থিংবা ঙম্বা নত্তে। থোরক্লিবা মীয়াম্না য়ারিবা আর্ট ফোর্ম অদুদা শেমজিন শাজিন্দুনা হেন্না ফগদবা মওং অমদা পুরকপনা হেন্না ফৈ হায়বা ৱাফমশিং ঐনা কন্না থমখি। হৌজিকপুদি লৈখিদ্রবা য়াম্না মমিং লৈবা, মতম অমদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী সেক্রেটরি ওইবিরম্বা ওজা অমগসু ঐগা কন্না মরৈ তৌনখি। অহলনিনা মানা ঙমখি, অদুবু ঐগী পূক্নিংগী অনীংবা অপাম্বা অমদি হোংলক্লিবা মতম অসিদা ঐখোয়না তৌগদবা কয়াগী মতাংদা পুথোক্তুনা কন্না য়েৎখি। ওজা অদুনা ঐবু থাগৎপীখি "অঙাং নঙ লেম্না মাঙলোই" ৱাহৈসি হায়বিরমখি। ৱারম কয়াশিং অসিনা ঐবু য়াম্না শীংনখি, ঐনা তৌজরিবা আর্ট ফোর্ম অসিগী মরমদা য়াম্না খনবা হৌরকখি। অরানবা কয়া অমা তৌরিবা অদু থিংনবা কন্না হোৎনরকখি। তশেংনমক্তি মণিপুরদা শুমাং লীলা হায়না খঙনখিবা দাইলোগ লীলাগী তাঙ্কক অমা লোইশিনখিবদু ঐগীসু থৌদাং য়াম্না য়াওখি হায়বা তাই। অদুবু মদু ঐগী ইরাল্লা হায়না হংবদদি, নৎখিদে। মদু মতমসিগী মীয়াম্না পুরকপা মহয় অমনি। ইশেং শেংনা হায়রবদা কুমজা ১৯৮২ দা ইন্দিয়াদা এসিয়ন গেমস পাঙথোকপা মতম অদুদা মণিপুরদা টেলিভিজন হায়বসি লাকখিবনি। টেলিভিজন অসিনসু মীয়ামগী ৱাখল কয়া অমা চেঞ্জ তৌহনবদা মতেং পাংখি। টি ভিদা থারক্লিবা সেরিএলশিংদা ঙাওনবা মতম ওইখি। অপিকপা অঙাংশিংসু টি ভিগী মমাঙদগী হেন্দোক্তবা, টি ভিদা লাকপা দ্রামা খুদিংমক য়েংবনা মখোয়গী অপাম্বসি খরা হায়-ফাই রোমদা ওইনা লাকখিবনি।

অসুম্না পরিং চথরকপনা, মণিপুরদা দাইলোগ লীলা হায়বদু লোইশিনখ্রে, অমফাওবা লৈখিদ্রে। দাইলোগ লীলা তৌরম্বা অহল কয়া অমা ঈশৈ লীলাদা হিংনবগী শেন্দান লন্বী অমা ওইনা য়াওনরকখি। অদুবু মশীংখা ফুদোক্তুনা য়াও হায়বা য়াখিদবা অহলসু লৈতবা নত্তে। মখোয়দুদি মমিংতগী মপি তানা কপখি। মখোয়না তৌরকপা লীলাগী ৱারীশিং লীবিরম্মী। অহলশিং অদু ঐগসু য়াম্না তিন্নে। নুংশিনৈ, মখোয়নসু ঐবু য়াম্না লুনা তৌবীরম্মী। ঙসিদি মমল নাইখিদ্রবা অহলশিং অদু থুপখ্রে। পাম্মুই হায়বা অসি নত্তনা করিসু হায়নীংঙাই লৈত্রে। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৫৪

**উসম ধনঞ্জয়**

**দিসেম্বর ১৫, ২০০৯ :** খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা জুলাই ২৩দা থোকখিবা থৌদোক অমদা লৈখিদ্রবী থোকচোম রবিনাদা মণিপুর লৈঙাক্লা এক্স গ্রেসিয়া লুপা লাখ অমা পীরগনি। মসিগী মতাংদা হোম দিপার্টমেন্টনা ঙসি হুকুম অমা থোকখ্রে।

হুকুম অদুগী মতুংইন্না, থৌদোক অদুদা শোকখিবা মীওই ৪দা লুপা লিশীং ৫০/৫০ অমসুং মীওই অমদসু লুপা লিশীং ১০ পীগদৌরি।

শেনফম অসি ঙসিদগী পারগা নুমিৎ ৩০নিগী মনুংদা পীগদবনি হায়নসু হুকুম অদুদা পল্লি।

**দিসেম্বর ১৫, ২০০৯ :** জুলাই ২৩ থৌদোক্কী মতাংদা অপূনবা লূপ ৱার্কিং কম্মিটি ওফ দি অপূনবা লূপনা চঙশিল্লিবা কোঙজংবু শৌগৎলদুনা মহৈরোয় লূপ অহুমনা চঙশিল্লিবা ক্লাস বোয়কোটকী খোঙজং অসিগী মতাংদা হৌজিক্কী ষ্টেটস রিপোর্ট অমা পীরক্লবা মণিপুরগী গভর্ণরনা চীফ সেক্রেটরিগী খূথাংদা স্কুল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টতগী রিপোর্ট কৌরকপনি হায়না প্রেসনা ফংবা পাউ অমনা হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা স্কুল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা হিল অমসুং ভেল্লিগী জোনেল এদ্যুকেসন ওফিসরশিংদা মাগী মাগী জোনগী ওইবা ষ্টেটস রিপোর্ট পীখৎলক্লবা খঙহনখিবসু লৈরে। ষ্টেটস রিপোর্ট অসি চীফ সেক্রেটরিদা থা অসিগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা পীখৎকদবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, এমসু, এম এস এফ অমসুং কে এস এনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৯দগী ক্লাস বোইকোটকী খোঙজং লাউথোকখিবদগী মরু ওইনা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট মরিদা স্কুলশিং পাক্তক্লনা ক্লাস বোইকোটকী খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি।

**দিসেম্বর ১৫, ২০০৯ :** চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সাইবোল ভিলেজদা ঙসি অয়ূক অঙনবদা মাইন বোম পোকখায়বদা পিক্লিবা অঙাং অহুম শিরে।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অঙাংশিং অদুদি সাইবোল ভিলেজদগী লারজিংদিন (১২) অপোকপগী মিং লালজোনুং অমসুং লালমলস্বান (৯) অপোকপগী মিং লানতেনলানপু অমদি সেন্তবোল ভিলেজদগী লাললৌকিম (৫) অপোকপগী মিং লালদিংনেলনি হায়রি।

অঙাংশিং অদুনা ঙসি অয়ূক পুং ১১ রোম তাবদা বোম অদু বোমনি হায়বা খঙদনা শান্নরুবনি। মদুদা পোকখায়রক্তুনা মখোয় অহুম খুদক্তা শিখিবনি।

মরকসিদা, ঙসি অয়ূক পুং ১১.২০ লোম তাবদা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসন্দগী নোংপোক্তা কিলোমিটর ৫ রোম চৎলগা লৈবা পাঙ্গৈ লন্বী হাওতালদা শকখঙদবা খরনা সাইকলদা কোয়না চত্তুনা দুকানশিংদা পোৎ থাবা মীওই অমা নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী শিরে। মমিংনা দীপককুমার শাহু (২৮) অপোকপগী মিং রামনাথ শাহু কৌই। মহাক অসামগী লঙ্কা ক্ষেরনি চারালিদগী হৌজিক্লা টেলিপটি মন্দির ময়াদা মশাগী ইঙ্খোল লৈরগা লৈবনি। থা ৯ লোমগী মচানুপা অমা লৈরে হায়রি।

লৈখিদ্রবা দীপক কুমার শাহু সাইকলদা কোয়না চৎলগা দুকানশিংদা তিলহৌ, চনম, মরূ-মরাং, বিস্কিটনচিংবা থাবা মীওইনি। ঙসিসু মহাক পাঙ্গৈরোমদা পোৎ থারুরগা ময়ূমলোমদা হল্লকপদা হাওতাল মনাক্তা তুংলোমদগী স্কুটরদা লাকপা নহা অনীনা নোংমৈনা কাপশিল্লকপনি। মহাক্কী নঙ্গলদা নোংমৈ মরূ অহুম অমসুং পুকচেপ্তা অমা পাল্লি। য়েৎথংবা পাম্বোমদসু মরূ অনীগী খেৎফম লৈরমই হায়রি।

মহাক খুদক্তা জে এন হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি অদুবু হীদাক থাবা হৌরকপদা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবনি। হৈঙাং পুলিসনা থৌদোক থোকফমদগী ৩৮ সুপর (আর এম সী) থাবা এম্পটি কেস মাপন অমসুং প্রোজেক্টাইল অমা রিকোভর তৌখ্রে। লোয়ননা অশিবা হকচাংদু রিমসতা পোষ্ট মোর্টেম তৌরগা ইমুং-মনুংদা শিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৪০ রোম তাবদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চীংমরোং মমাঙ লৈকায়দা লৈবা ময়েংবম বীনোদ কৌবা অমগী য়ূমদা শকখঙদবা মীওই খরনা বোম অমা লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্লে হায়রি। বোম পোকখায়বগী অহৌবা মখোল অদুনা চাকশঙদা চাক থোংদুনা লৈবী বীনোদকী লোয়নবী সিমাগী মনাদা য়ৈশিনখিবদগী জে এন হোস্পিটালদা পুরক্তুনা লায়কন্নখি। লোয়ননা জিজ্ঞনা ফক্লাং ওইবা শরুক খরগা চাকশঙদা লৈবা পোৎ চৈ খরসু অমাঙ অতা থোকখি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা তাং ১১দসু বীনোদকী মনাওনুপা প্রমোদকী য়ূমদা মশক খঙদবশিংনা বোম লংশিন্দুনা এটেক তৌবা লৈখ্রবনি।

ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদসু পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খুরাই থাংজম লৈকায়দা লৈবা এন আর এল (ইনর্জি) দা মশক খঙদবা খরনা চাইনানা শাবা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিল্লম্লে হায়রি।

গ্রেনেদ অদু পম্প মখোঙদা তারগা পোকখায়খিদে। গ্রেনেদ লংশিল্লকপা মতমদুদা থাউ হানবা মীওই কয়াসু লৈখি। লাইবক ফবদগী পোকখায়হৌদবদগী অশোপ -অপন য়াওদবনি হায়রি। গ্রেনেদ অদু পুলিসকী এক্সপার্টশিং লাক্লগা লৌথোকখি হায়রি।

অতোপ্পা অমনা, ঙসি অয়ূক পুং ১০ রোম তাবদা কৈশাম্পাৎ ত্রাফিক আইলেন্দ ক্রোসিংদা মপু মশক খঙদবা প্রিন্টিং ইঙ্ক হাপ্পগী পোলি দ্রম অমুবা অমা লৈরম্বদগী বোম য়াওরবোই নীংদুনা লন্বী থিংলুরে। অদুবু পুলিসকী বোম এক্সপার্টনা য়েংবদা ওকচাকুম্বা খোল্লগা হাপ্নবা ওইরম্লে হায়রি।

দ্রম অদু পুলিসকী বোম এক্সপার্টনা কম্প্যুটরাইজ এক্স-রে মেছিন শীজিন্নদুনা য়েংবদা বোমগী মমি উবা ফংখিদে। নুমিৎয়ুংবা পুং ১২.১৫ রোম তাবদা এক্সপার্টনা দ্রমদুগী মখুম খজিক্তং হাংদোল্লগা য়েংবদা করিগুম্বা পোৎশক অমত্তা য়াওরমদবদগী পায়রগা পুথোরকখি। পোলি দ্রম অদু কনাগুম্বশিংগী ওকচাক খোম্বদা শীজিন্নবা মাল্লি হায়রি।

ঙরাং নুমিদাং পুং ১১ রোম তাবদসু ওল্ড সেক্রেটরিএট ময়াদা মারুটি কার অমা মপু য়াওদনা থল্লম্বদগী বোম য়াওরবোই নীংদুনা পুলিসনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি হায়রি।

কার অদু ৱাংজিং বজারদগী হৌজিক্লা উরিপোক সোর্বোন থিঙেলদা লৈবা তখেল্লম্বম সনাতোম্বা (৩৪) অপোকপগী মিং বীর কৌবা অমগীনি। মহাক্লা গাড়ীদু য়াদবদগী থল্লম্বনি হায়না পুলিসতা ফোঙদোকই হায়রি।

**দিসেম্বর ১৫, ২০০৯ :** বি জে পি, মণিপুর প্রদেশকী অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইনা শীজ গুরুময়ূম শান্তিকুমার শর্ম্মবু লম্বা য়াওদনা খনখ্রে।

ঙসি বি জে পি ওফিসতা পার্টি অসিগী অনৌবা প্রসিদেন্ট খনবগী মতাংদা সেন্ট্রেল ইলেক্সন ওবজার্ভর রঞ্জন দাসনা হায়খি, পার্টি অসিগী প্রসিদেন্টকী মতম লোইশিল্লকপগা লোয়ননা অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা খন্নবা থৌরাং তৌবদা এম শান্তিকুমার খক্তমক নোমিনেসন ফাইল তৌরকখি। মরম অদুনা মহাকপু য়েৎনবা লৈতনা পার্টিগী প্রসিদেন্ট খনখি। লোয়ননা অতোপ্পা নেসনল কাউন্সিল মেম্বর অনী অমা ঙসি য়েৎনবা লৈতনা খল্লে। মখোয় অনী অদুদি - এন কাইসি, এস চোকেশ্বরনি।

অনৌবা প্রসিদেন্ট খনবগী পাঙথোকপা থৌরমদা বি জে পিগী নোর্থ ইষ্ট ইন-চার্জ চন্দ্রশেখর রাওসু য়াওখি। মহাক্লা হায়খি, বি জে পিগা অতোপ্পা পার্টিশিংগা খেন্নবা খরা লৈ। পার্টি অসিনা ফমগীদমক মিহৌনদে। শুপ্নতংগী লৈবাক্কী থৌগল তৌবনা পার্টি অসিগী ফিরেপনি। কোংগ্রেস পার্টিগুম নেহরুগী ইমুং-মনুংখক্তদা ফম পায়হনবা পার্টি অমা নত্তে। মখল খুদিংমক্কী মীওই খুদিংমক্তা পার্টিগী লুচিংবা ওইহন্নবগী খুদোংচাবা পীরি।

মণিপুরদা হৌজিক নহারোলশিং থবক ফংদ্রে, ইলেক্ট্রিসিটিগী চাওরবা সমস্য মায়োক্নরি, কম্মান্দো, আই আর বি লৌবদা শেল লৌখিবা মরম্না মখোয়নসু শেলশিং অদু হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা নত্তবা থৌওং কয়া চথৈ। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা এম পি পি, কোংগ্রেস, সী পি আই অমসুং অতৈ পোলিটিকেল পার্টিশিংনা লৈবাক অসিগীদমক করি থৌদাং লৌরিবগে হায়নসু মহাক্লা হংখি।

পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মীয়ামগী থৌদাং অমত্তা লৌদবনা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা মীয়াম্না করম্বা পুন্সিরোলদা হিংলিবগে হায়বসু লুচিংবশিংনা য়েংশিন্দে। ষ্টেট অসি কনানা কনবীগনি হায়না হৌজিক মীয়াম কপ্লি। মীয়ামদা করিগুম্বা পাম্বৈ অমত্তা লৈত্রে। কনাদা হায়রগা তাবীগনি হায়না পূক্নিংদা ৱারৌবনা পীক থল্লবা মতমনি। অদুবু বি জে পিনা লৈঙাক পায়দ্রবসু ওপোজিসন পার্টি ওইনা করি থৌদাং লৌবা য়াবগে হায়বদু ষ্টেট অসিগী পার্টিগী কর্ম্মিশিংনা কূপ্না খন্নগদবনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

লোয়ননা মীয়ামগী অৱাবশিং, ৱাকৎশিং, পার্টি অসিগী কর্ম্মিশিংনা লমজিংদুনা লৈঙাক অসিদা তকশিনগদবনি হায়নসু মহাক্লা পার্টি অসি নৌনা থৌ পুরবশিংদা পাউতাক পীখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা আর ও, কে ঐচ দিনমনি, হান্নগী প্রসিদেন্ট ডা. ঐচ বোরবাবু অমসুং পার্টি অসিগী অতৈ লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি।

ঙসি নৌনা খল্লবা প্রসিদেন্ট এস শান্তিকুমার কুমজা ১৯৯৪দগী পার্টিদা শরুক য়াবা হৌরকখি। মহাক পার্টি অসিগী সেক্রেটরি, জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং ভাইস প্রসিদেন্টকী ফম মথং-মথং পায়রকখি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।